# ওজা অমদি অহল লমন ঐখোয়গী লমজিং মৈরানি... এঞ্জেলিনা



আর্টকী লমদা খোঙদারিবশিংসি মীয়ামগী সেবা তৌজবা ঙাক্তনি। মীয়ামগী সেবারোই অমা ওইরগা নাপলনা ৱাংনা চৎপা হায়বসিদি ঐগী ওইনদি খক পামজদে। ওজা অমদি অহল লমন হায়বসি ঐখোয়গীদি লমজিং মৈরানি, মরম অদুনা মখোয়বু মতম লৈবা খিবিক্তা থম্মোয়, পুক্নিং অমদি হকচাংদা লাত্তুনা থম্বা হায়বসিনা ঐগীদি অশেংবা লাইনিংনি হায়না লৌজে হায়না নৌনা শৈশকপী অমা ওইনা খোঙদারিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী মশাগী চহী ২১ মপুং ফারবী এঞ্জেলিনা মাইরেম্বমনা মহাক্কী ওইবা মত পাউ চে অসিদা থল্লক্লি।

জি পি ৱুমেন কলেজনা বি এ ফাষ্ট ইয়র তল্লিবী এঞ্জেলিনা জগোই অমদি ঈশৈবু পাম্না হৌরকখি। ঈশৈগী লমদা মীয়াম্না শকখঙলবী রবিন্দ্রো, সদানন্দ, ৱাই বিলাসিনি অমদি অসেম বিমোলাগী মীনুংশি মখাদা ঈশৈগী ওইবা জ্ঞান তানশিনবা ঙমখ্রবী এঞ্জেলিনা মোইরাং বজারদা লৈবা এম রাজেস অমদি এম ওংবী ইন্দুবালা অনীগী অহানবা মচানুপী ওইনা ইং ১৯৯৫ কী সেপ্টেম্বর ২১ দা ফংজখি। মহাক্কী মৌপ্বা অমসু লৈ। মহাক্না পামজরিবা লম্বী অসিদা ইমুং মনুংনা য়ানিংদবা কয়া লৈরম্লবসু মহাক্কী পামজবা অমদি হোৎনবনা কনখিবনা ইমুং মনুংনা ফনা য়াম্না য়ানিংদবা লৈম্লবসু তুংদদি মহাক্কী অনীংবা অপাম্বা অদুদা হেন্নদুম থৌনা পীবিরকপদগী ঙসিদি মীমাং থোক্লা মীয়ামগী সেবারোই অমা ওইনা নৌনা মতোন চোংলক্লিবী শৈশকপী অমা হায়বদু ওইররে। মহাক্কী পুন্সি খোঙচৎতা ফিল্ম একাদেমীদা ফিল্ম এক্তিংগী ওইবা চহী অমগী নোলেজ তানশিনখি। লোয়ননা ইং ২০১৩ দা মেদ ফেসন ৱার্ল্ডনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মিস মণিপুর কন্টেষ্টতা শরুক য়াখি। হায়রিবা চহী অসিমক্তদা এন আই টি ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মিস ঔগ্রিদসু শরুক য়ারকখি।



## সুর মৈতৈ

মহাক্না শৈশকপী অমা ওইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কিরন বোইচানা দিরেক্সন পীবা "ফজবা নংসে য়াম্না ফজেকো" অমদি সুরজনা দিরেক্সন পীবা "মেসেজ তোয়না থারক্কনু" হায়বা এলবমদা শরুক য়াখ্রবী এঞ্জেলিনা মণিপুরগী ম্যুজিক দিরেক্তরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা আর কে বিরেন্দ্রজিৎকা থেংনরুবদগী ঈশৈগী লমদা মীমাঙ থোক্লা শৈশকপী অমা হায়বদু ওইবা ঙম্লি। মহাক্না শৈশকখিবশিংগী মনুংদা ইনৌতা নৌই ৱাখলসে, খঙদে হন্দক মরক ঐসে, লাক্লে লাক্লে লমতা থা, ৱা-ৱা লাওখিনু, অচুম্বা অমদি লৈরি মঙোন্দা, লমগী পাখং চাকথেকই, নক্তা নকশিন্নরবদি নুংশিনবা তাবনি, লৈবাকসে ইরাং ফত্তেকো, অঙাওবী ওইরে ঙসিদি, মেংলবা থাবলগী মঙাল, মীগী নুংশিবদা য়েৎপা অমদি অঙাওবী ওইরে ঙসিদি হায়বনচিংবা ঈশৈ ২০ গী মথক্তা মীয়ামদা লান্থোকপা ঙমখ্রে। হৌজিক-হৌজিক পুথোক্লুবা শেম শাবা লোইশিল্লক্লুবা মণিপুর ফিচর ফিল্মশিংগী মনুংদা "ইপাতোন আই লভ ইউ", "নোংশাবা", "মৌ অনী" অমদি "ইয়াদা য়াই" হায়বশিংদা প্লে বেক শিঙ্গর অমা ওইনা শৈশকখ্রে।

তুংগী আশা চাউনা লৈরিবী এঞ্জেলিনাগা পাউ-চে অসিগা উন্নদুনা শান্নখিবা ৱারী ৱাতাইদা থল্লকখিবা পাউদম খরা...

সুরঃ মীওইবগা ঈশৈগা লৈনরিবা মরীসে করিনি হায়না খনবগে?

এঞ্জেলিনাঃ ঈশৈ হায়বসি মীওইবগী লু-তোংদতা তোংবতা নত্তনা পুন্সিগী থানবা য়াদ্রবশিংগী মনুংদা অমনি। ঈশৈনা ঙসিগী সমাজ অসিদা অফ-ফত্তা কয়াবু শৈথাদুনা মীয়ামদা ফজবা ৱাহৈনা পাউজেল্লি। হায়নৈ মীওইবা ওইনা পোক্লগা নোংমতা ঈশৈ ঙংদ্রবা অদুদি পোকপগী মহৈ য়ানদ্রবা মীশকনি। ঈশৈগা মীওইবগী পুন্সিগা থানবা য়াদে হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতম লাইওইখ্রবা অহলশিংনা তাকপীরম্বদা নত্তনা ঐ ইশামক্লসু ৱাফম অসিমদি য়ানা চৎচৈ। মরম অদুনা ঈশৈ হায়বসি মীওইবগী পুন্সিগা থানবা য়াদ্রবা মরী অমনি হায়না খঞ্জে।

সুরঃ মীয়ামগী সেবারোই অমনি হায়রিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা শৈশকপা শৈশকপীশিংনা নাপল অমগা লোয়ননা হিংলি হায়বসিদা করি মত লৈবগে?





এঞ্জেলিনাঃ মীয়ামগীনি হায়না লৈরবা মীশক অমনা নাপল কানা হিংবা হায়বসিদি তশেংনা পামজদে। মীয়ামগীনি হায়না থোরক্লগা নাপল অমগী মখাদা হিংবা হায়বসিদি মীয়ামগী সেবারোইনি হায়নিংদে।

সুরঃ মীয়ামগী সেবরোইশিংগী মনুংদা ইরোম চনু সর্মিলাসু অমনি হায়না লৌনরি। অদুবু ঙসিদি ইরোম চনু সর্মিলানা চরা হেন্দুনা মীয়ামগীদমক চঙশিল্লম্বা খোঙজং অদুদগী খরা নাথৈদুনা অতোপ্পা লম্বী অমা থিরকপা অসিদা করি মত লৈবগে?

এঞ্জেলিনাঃ করিগুম্বা ঐনা ইরোম চনু সর্মিলা ওইরম্লবদি মীয়ামগীদমক খল্লগা তাল্লিবা দিমান্দ অমগীদমক চরা হেল্লকপা অদু পুন্সিনা পীখম্নদ্রিফাওবা অদুমক চঙশিল্লমগনি।

সুরঃ মণিপুরদা লৈরিবা ইহৌ কয়া অসিগী মনুংদা অমা ওইরিবা আই এল পি গী মতাং অসিদা করি মত লৈবগে?

এঞ্জেলিনাঃ আই এল পি হায়বসি অতোপ্পদগী শেৎ-চাদুনা হিংগে হায়বা পান্দম নত্তে হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক্লোনশিংনা হেন্না খঙলবনি। অদুবু করিগুদমক প্রজা মীয়ামগী অপাম্বা অসি ঙসিগী লৈঙাক্লোনশিংনা পীবা ঙমদ্রিবনো হায়বসিমদি ঐঙোন্দসু ঙক্তবা ঙমদে। মসিদি তুংগী খল্লগা ইরমদম অসিবু কঞ্জনবনি।

সুরঃ করিগুম্বা লমদম অসিগী মপী মপা ওইবশিংগী মনুংদা এঞ্জেলিনাসু অমা ওইরম্বা তারগদি এঞ্জেলিনানা লৌগদবা দাইত্বসি করিনো?

এঞ্জেলিনাঃ ঐনা লমদম অসিবু ঙাক-শেনবদা শরুক য়াবা ঙম্বা মীশক অমা ওইরম্বা তারবদি মীগী খন্দ্রিঙৈদা ইশাগী হান্না খল্লগা, মীগী ৱা তাদ্রিঙৈদা ঐগী ওইবা ৱা ঙাক্তা তারগা থবক পাঙথোক্কনি। মসিদি তঙাইফদনা তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি হায়না মাঙজৌনন্দুম পাঙথোক্লমগনি।

সুরঃ লমদম অসিদা থোক্লিবা মশিং থিঙমদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া অসিদা অমা খল্লগা ঈশৈনা শৈথারগা মীয়ামদা পাউজেল পীনিংবা তারগদি করম্বা থৌদোক্তা বেজ তৌবা ঈশৈ শক্কদগে?

এঞ্জেলিনাঃ লানজদ্রবী থাংজম মোনোরোমাগী পুন্সিদা থোকখিবা থৌদোক অসি মহাক্না অহানবসু নত্তে, অকোনবসু ওইখিদে। থাংজম মোনোরমাগী থৌদোক অদুনা নুপী ওইবীশিংদা মীৎ-নাকোং ওইহনবদা নত্তনা চেকশিন্নবা পাউজেল কয়া অমসু পাউদম্বা ওইনা থোকখি। মরম অদুনা করিগুম্বা ঐনা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিগী মনুংদা অমা খনগৎলগা শৈথাদুনা ঈশৈ শকপা তারগদি থাংজম মোনোরমাদা বেজ তৌবা ঈশৈ ওইনা শৈথানিংই।

## চফু ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।





সোরারেন ফিল্ম প্রদক্সনগী বেনর মখাদা নৌনা পুথোক্কদৌরিবা "চফু" হায়না মীংথোনবা মণিপুর ফিচর ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম অমা ৱাংখৈ লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা তেনাওগী সঙ্গাইদা চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা তাং ৬ তা পাঙথোকখ্রে।

ফিল্ম অসি রিয়েলিষ্টিক থ্রিলর মুভি অমা ওইগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী দিরেক্তরনা সত্যজিৎ বি কে নি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংগদৌরিবশিংনা বোবো নিংথৌখোংজম, বালা তেন্সুবম, ইধৌ, অপোং, বোইনাও, জাদে অমদি দেবাননচিংবনি। ফিল্ম অসি অথুবা মতমদা মীয়ামদা তোপ-তোপ্পা মহাও অমগা লোয়ননা পুথোক্লুবা হোৎনরিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমনি।

আর কে বিক্রমজিৎনা প্রদ্যুসর ওইদুনা নৌনা পুথোক্কদৌরিবা "চফু" হায়না মীংথোনবা ফিল্ম অসিদা অতোপ্পা ফিল্মগুম্না ঈশৈ অমত্তা য়াওদনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অমা ওইরি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*